সনালৈবাক স্পোর্টস

WEDNESDAY, JULY 30, 2014 PAGE 7

ইন্দিয়া অমদি ওস্ট্রেলিয়া শান্নগদবা মেন্স হোক্কিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেনালটি কোর্নর এক্সপার্ত মনপ্রিত

নুপাগী রাইফল–থ্রি পোজিসন্দা সিলভর মেদল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী সুট্টর গগন নরঙনা মেদল সিরেমোনিদা শরুক য়াখিবা

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম্না ত্রিনিদাদ এন্দ তোবাগোবু য়াম্না লাকচনা থোইখ্রে

গ্লাসগো, জুলাই ২৯ঃ

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা চথরিবা ২০শুবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী হোকি মেটচতা ত্রিনিদাদ এন্দ তোবাগোবু গোল ১৪–০দা য়াম্না লাকচনা মাইথিবা পিখি ।

অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা গোল ৯ চনবা ঙমখি । ত্রিনিদাদকী কাংবুনা ইন্দিয়াগী মখুত্তা চাওনা মাইথিরিবা অসিগী মরমদি মখোয়গী দিফেন্স লাইন্দ য়াম্না শোন্বননি ।

ইন্দিয়াগী গোলশিং অদু বন্দনা কাতারিয়ানা ৪শুবা মিনিটতা, দিবিকা ঠাকুরনা ১১শুবা অমদি ২৭শুবা মিনিটতা, রানি রামপাওলনা ১২শুবা, ১৯শুবা অমদি ২৫শুবা মিনিটতা গোল ৩, জসপ্রিত কোরনা ১৮শুবা, ঋতুরানিনা ২২শুবা অমদি অনুরাধা থৌচোমনা ৩১শুবা মিনিটতা চনখিবনি ।

সেকেন্দ হাল্ফতসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা দোমিনেন্ট তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা সেকেন্দ হাল্ফতা গোল ৫ অমগসু চনবা ঙমখি ।

সেকেন্দ হাল্ফকী গোলশিং অদু জসপ্রিত কোরনা ৪১শুবা অমদি ৪৮শুবা মিনিটতা গোল ২, অনুপা বারলানা ৫৩শুবা মিনিটতা, দিপিকা ঠাকুরনা ৪৬শুবা অদুগা ঋতুশা আইয়ারনা ৬৮শুবা মিনিটতা চনখিবনি ।

মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৩না হেদ ত্রিক লৌবা ঙমখি । হেদ ত্রিক লৌখিবা শান্নরোই ৩ অদুদি দিপিকা ঠাকুর (১১, ২৭, ৬৪), রানি রামপাওল (১২, ১৯, ২৫) অমদি জাসপ্রিত কোর (১৮, ৪১, ৪৮) নি ।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলারশিংনা ফাইনেল রাউন্দ চংবা খরা য়াওখ্রে। ফাইনেল রাউন্দ চংখ্রবা রেষ্টলারশিং অদুদি সুসিলকুমার, তোমার অমদি অমিদকুমারনি ।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা চথরিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমস অসিদা মেদল ২৬ ফংবা ঙমখ্রে । মেদল ২৬ অদুগী মনুংদা গোল্ড মেদল ৭, সিলভর মেদল ১২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৭নি । ঙরাংগী পাংথোকখিবা মেটচকী রিজল্ট অসিগী মতুংদগী ইন্দিয়ানা মেদল মশিং য়াম্না লৌরবসু গোল্ড মশিং য়ামদবনা মরম ওইদুনা মঙাশুবদা লৈরম্বা অদু তরেৎশুবদা হন্থখ্রে ।

হৌজিক মেদল টেলিদা খ্বাইদগী মকোক ওইনা লৈরিবসি ওস্ট্রেলিয়ানি । ওস্ট্রেলিয়ানা মেদল ৮৭ লৌদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি, ইংলেন্দনা মেদল ৭৪ ফংদুনা অনিশুবদা অদুগা য়ুম্বু ওইরিবা স্কোটলেন্দনা মেদল ৩৩ লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি ।

ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা ৬নি চনবা নুমিত্তসু মখা তানা মেদল লৌরি । ঙরাং ইন্দিয়াগী সুট্টর গগন নরংনা সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা নুপীগী কেজি ৪৮গী কাংলুপ্তা ভেনিসনা জে মিলনবু মাইথিবা পীখ্রে । নুপাগী কাংলুপ্তা অমিদ কুমারনা কেজি ৫৭কী কাংলুপ্তা পাকিস্তানগী অজর হুসেনবু মাইথিবা পীখ্রে ।

মনবজিৎ সান্ধু অমদি মনশ্রী সিংহ নুপীগী দবল ট্রেপ্তা ক্বাইলিফাইদ ওইবা ঙমখ্রে । মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মেদল টেলিগী কন্টেষ্ট অসিদা লম্বা তৌদুনা মেদল মশিং হেঙ্গৎনবা হোৎনবা অমা ওইনা রজিব তোমারনা রেষ্টলিংগী কেজি ১২৫গী কাংলুপ্তা ফাইনেল চংখ্রে ।

অমরোমদা গগন নরং অমদি সঞ্জিৎ রাজপুটনা মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন্দা অনিশুবা অমদি মরিশুবা তাদুনা ক্বালিফাইদ ওইখি লোয়ননা মিটর ৫০গী থ্রি পোজিসন অসিদা গগন নরংনা সিলভর মেদল লৌখিবনি ।

নুপাগী কেজি ৫৭কী রেষ্টলিংদা অমিত কুমার সেমি ফাইনেল চংখ্রে। সন্তোসি মাতসা অমদি সাৱিতি সিংহনা কেজি ৫৩গী ৱেটলিফটিংদা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি । কাংলুপ অসিদা নাইজেরিয়াগী চিকা অমলাহানা গোল্ড মেদল লৌখিবনি ।

য়াম্না লাইবক থিবদি ইন্দিয়াগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফাইয়ার পিষ্টল ইভেন্টতা লন্দন ওলেম্পিক্তা সিলভর মেদল ফংলকখিবা বিজয় কুমার ক্বলিফাইয়িং রাউন্দদা মাইথিদুনা লৈহৌখি ।

মশান্না অসিদা হরপ্রিত সিংহনা মরিশুবা পোজিসন তাদুনা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি । মহাক্না পোইন্ট ২৮১ ফংবা ঙমখি ।

নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন্দা লাজা গোস্বামি অমদি ইলিজাবেত কোসেল ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রে । মিটর ২৫গী রিপিদ ফাইয়ার পিষ্টল ইভেন্টতা বিজয় কুমার অমদি হরপ্রিত সিংহ ক্বালিফাইদ ওইখ্রে ।

ইন্দিয়াগী সুসিল কুমারনা গোল্ড লৌখ্রে

ঙসি শান্নখিবা রেষ্টলিংগী কেজি ৭৪গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী সুসিল কুমারনা পাকিষ্টানগী কমর অব্বাসপু থোইদুনা গোল্ড লৌখ্রে । মহাক্না সেমি ফাইনেলদা নাইজেরিয়াগী বাইবোবু ৮–৪দা মাইথিবা পীখিবনি ।

কেজি ৭৪গী কাংলুপ্তা গোল্ড লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সুসিল কুমার

COMMONWEALTH GAMES 2014

Medal Tally



MEDAL TALLY

Country	Gold	Silver	Bronze	Total
Australia (AUS)	30	25	32	87
England (ENG)	27	24	23	74
Scotland (SCO)	13	8	12	33
South Africa (RSA)	9	9	8	26
Canada (CAN)	9	3	12	24
New Zealand (NZL)	8	8	11	27
India (IND)	7	12	7	26
Wales (WAL)	3	9	10	22
Malaysia (MAS)	3	5	4	12
Nigeria (NGR)	3	4	3	10
Singapore (SIN)	3	1	1	5
Kenya (KEN)	2	3	0	5
Jamaica (JAM)	2	2	3	7
Cyprus (CYP)	2	2	2	6
Cameroon (CMR)	1	1	1	3
Northern Ireland (NIR)	0	1	1	2

লাইশ্রম সরিতা পি–ক্বার্টর চংখ্রে

গ্লাসগো, জুলাই ২৯ঃ

গ্লাসগো গেমসকী নুপীগী বোক্সিংগী কেজি ৫৭ তগীনা ৬০ ফাওবগী কাংলুপ্তা লাইশ্রম সারিতা দেবী প্রি ক্বার্টর চংখ্রে অদুগা কেজি ৭৫গী কাংলুপ্তা পুজারানিসু প্রি ক্বার্টর চংখ্রে।

লাইশ্রম সারিতানা কেজি কাংলুপ অসিদা নাইজেরিগী কেহিনদে ওবেরেহগা শান্নগদৌরি। অদুগা পুজারানিনা কেজি ৭৫গী কাংলুপ্তা ইংলেন্দগী সাভন্নাহ মার্সেলগা থেংনগদৌরি ।

নুপাগী কেজি ৬৪গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মনোজ কুমারনা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ওইনা ইংলেন্দগী সমৱেল মেক্সৱেলগা শান্নগনি ।

কেজি ৮১গী কাংলুপ্তা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ওইনা সুমিত সংৱান্না নিউজিলেন্দগী দেবিদ নাইয়িকাগা শান্নগদৌরি ।

অমরোমদা রেষ্টলিংগী কেজি ৭৫গী ফ্রি ষ্টাইলদা জোতিগা নাইজেরিয়াগী বি ওনেবুচিগা শান্নগনি । মেটচ অসি মাইপাক্লবা মতুংদা মহাক্না ইংলেন্দগী এস ইদৱাদসকা শান্নগনি । মথংদা কেমেরুনগী এ অলিগা শান্নগনি ।

কেজি ৪৮গী কাংলুপ্তা ভিনেসকা নাইজেরিয়াগী আর নেৱিকেগা শান্নগদৌরি । নুপাগী কেজি ৪৭কী ফ্রি ষ্টাইলদা অমিদ কুমারনা জেৱি ৱেন্দোগা শান্নগনি । কেজি ৭৪গী কাংলুপ্তা সুসিলকুমারনা ওস্ট্রেলিয়াগী জে লোরেন্সকা থেংগদৌরি । অদুগা কেজি ১২৫ কাংলুপ্তা ইন্দিয়া রাজিব তোমারগা নাইজেরিয়াগী এস বোলটিক্কা শান্নগদৌরি ।

ৱেটলিফটিংগী মশান্নদা কেজি ৯৪গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী চন্দ্রকান্তা মালি শরুক য়াগদৌরি ।

বেদমিন্টনগী মেন্স সিঙ্গলকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী গুরুসাইদতনা লি বেঞ্জমিন পুই হুনগা শান্নগনি । অদুগা কে শ্রীকন্তনা দোনে মার্চকা শান্নগদৌরি ।

রুসিয়ানা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮গী য়ুম্বু ওইবদা খুদোং চারোই ঃয়ু কে দিপুতি পি এম

লন্দন, জুলাই ২৯ঃ

রুসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ২০১৮দা পাংথোক্কদৌরিবা ফিফাগী ২১শুবা ৱার্ল্ড কপ সোকর পাংথোকপদা য়ুক্রেন্না পিরকপা চৈথেং কয়ানা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা কপ অসি পাংথোকপদা খুদোং চাদবা কয়া মাইয়োক্লগনি হায়না বৃটেনগী দিপুতি প্রাইম মিনিষ্টর নেক ক্লেগনা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাউগী এজেন্সি অমগা অখন্না উন্নবদা ফোংদোকখ্রে।

ক্লেগ অসি বৃটিশকী পোলিতিসিয়নশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীওই অমনি । মহাক্না ফোংদোকখিবদা রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুতিন্না ৱার্ল্ড কপ লৈবাক অসিদা পাংথোক্কনি হায়না ফোংদোকখিবা অসিদা য়ুক্রেন্না ৱার্ল্ড কপ অদুদা করি করি থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লক্কগে হায়বা খংদ্রি ।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা য়ুক্রেনগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা মালেসিয়াগী ইয়ার লাইন্স প্লেন অমা থা অসিগী তাং ১৭তা কাপথখিবা থৌদোক অমা লৈখি ।

মসিনা মরম ওইদুনা ইন্টরনেসনেলগী এক্সপার্তশিংনা য়ুপোপিয়ান য়ুনিয়নগী কাংবুনা মসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্লক্তনবা মিৎয়েং থল্লিসু হায়রি ।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ৱার্ল্ডগী ওইবা অচৌবা ইভেন্ট অমা পাংথোকপদা খুদোং থিবা কয়া থোক্লকপদু শন্তাইনবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুতিন্না দাইত্য পুগদবনি হায়নসু পনখি ।

ক্লেগনা মখা তানা হায়খিবদা লিবরেল দিমোক্রেতিক্কী লুচিংবা অমসুং বৃটেনগা পুন্না চংমিন্নরিবা কোলিসন সরকারগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা দেবিদ কেমেরুন্না লৈরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা করি লৈবগে হায়বদু খন্নবা মতম ওইরে হায়খি ।

কেমেরুনগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোংদোকখিবদা বৃটিশকী লিদরশিংনা শান্নবা অমসুং রাজনিতি পুনশিন্দুনা অমদি অতোপ্পা পাৰ্ত্বেশিং শিজিন্নদুনা রুসিয়াবু তোঙান্না থমদুনা দন্দি পীনবা হোৎনবনি হায়বা ৱাফম ফোংদোকখি ।

অমরোমদা বৃটেনগী দিপুতি প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোংদোকখিবদা রুসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি মহাক্কী নোংমগী চাফম থোকপা চারা অদু ফাওবা নীংথিনা চাবা ফংদবনি হায়বা ৱাফমসু থমখি ।

রুসিয়াগী অকোইবদা লৈরিবা লৈবাকশিং অসিদা হৌজিক খুদোং চাদবা কয়া অমনা পিক থল্লি । মসিগী মথক্তা য়ুক্রেনগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা খুৎলাইগী মপান্না থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবসি লাকশিন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা লৈবাক অসিনা ইং ২০১৮গী ৱার্ল্ড কপ সোকরগী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা অসিনি ।

নাকল অমরোমদা ফিফা হায়না খংনরিবা ৱার্ল্ডদা লৈরিবা ফুটবোলগী অচৌবা বোদি অসিদা জর্মনগী পোতিসিয়ানশিংনা রুসিয়াদা ৱার্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইবা অসি য়াবিগনু হায়না ফোন কয়া তোইনা তৌরক্লি হায়না ফিফাগী মচিন চৎপা অমনা ফোংদোরক্লি ।

মসিগী মথক্তা অসিগুম্বা প্লেন কায়বগী নুংঙাইতবা থৌদোক অদুদা দটচকী মীওই ২০০রোমগী মপুন্সি লোইখ্রবনি । মসি ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ খক্তদনি করিগুম্বা ফাইনেল রাউন্দদদি দটচকী মীয়াম করি ওইগনি হায়না লৈবাক অদুগী ফুটবোল এসোসিয়েসন অসিনা ফোংদোক্লি ।

নাইজেরিয়াগী লিফটর অমা দোপ টেষ্ট ফেল ওইখ্রে

গ্লাসগো, জুলাই ২৯ঃ

কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী নুপীগী কেজি ৫৩গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখিবী নাইজেরিয়া লিফটর চিতা অল্লাহ দোপ টেষ্টতা পোজিতিভ ওইরম্বদগী মহাক্না লৌখিবা মেদল অদু রুলগী মতুং ইন্না হন্দোকখ্রে ।

নাইজেরিয়ান লিফটর অদুনা মশান্না অসিদা স্নেচতা কেজি ৮৫ অদুগা ক্লিন এন্দ জগতা কেজি ১১১ পুন্না কেজি ১৯৬ থাঙ্গৎতুনা খ্বাইদগী নহা ওইবী গোল্ড ফংবী লিফটর অমা ওইখিবনি ।

মশাগী চহি ১৬খক্তা ঙাইরিবী নাইজেরিয়াগী লিফটর অসিগী এ সেম্পল অদু জুলাইগী ২৫দা টেষ্ট তৌবদা চিংনবা খরা লৈবদগী মহাক্কী বি সেম্পল অমুক হন্না টেষ্ট তৌরবা মতুংদা শান্নরোই অসি পোজেটিভ ওইবদগী শান্নরোই অসিবু গেমস অসিদগী তান্থোকখ্রে হায়না কম্মনৱেল্ঠ গেমস ফেদরেসনগী চিফ এগজিক্যুটিভ মাইক হোপ্পরনা ফোংদোকখ্রে ।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা শান্নরোই খরাগী ওইনা চিংনবা লৈবশিং অদু লোইনমক হাইদোক্তনা গেমস ফেদরেসন অসিনা মার্ক তৌদুনা থমজিনবা কয়া য়াওখি ।

মসি ইরোই লোইবা টেষ্ট তৌবা অদুগী মতুংদা শান্নরোই অসিবু গেমস অসিদগী পুমথিং থিংগদৌরিবনি । হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইনা গোল্ড মেদল ফংলিবী নাইজেরিয়াগী শান্নরোই চিতা অল্লাহবু জুলাই ২৫দা টেষ্ট তৌবদা ফংলকখিবা রিজল্ট অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা সসপেন্দদা থমলিবা শান্নরোই অমনি । শান্নরোই অসিনা চহি মতাং চাদনা অশুক য়াম্বা কিলো গ্রাম ১৯৬ অসি থাঙ্গৎলকপদগী চিংদুনা দোপ টেষ্ট তৌখিবনি ।

লিফটর অমা পুলিসনা ফুরুরে

গ্লাসগো, জুলাই ২৯ঃ

গ্লাসগো গেমসতা কেজি ৭৭কী কাংলুপ্তা শরুক য়ারিবা পাপুৱা নিউ গুনিয়াগী শান্নরোই অমা মফম অদুগী পুলিসকী কাংবুনা এঠলেট ভিলেজগী মনাক্তা লৈবা সুপর মার্কেত্তগী ফুরুরে হায়রি ।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা পাপুৱা নিউ গুনিয়াগী লিফটর অদুগী মমিং তৌ উদিয়া কৌই । মহাক অসি নুপাগী কেজি ৭৭ কী ক্লিন এন্দ জগকী শরুক্তা ত্রাইয়েল তৌগদৌরিবা শান্নরোই অমনি । শান্নরোই অসি মমাংদা স্নেচকী ত্রাইয়েল পাংথোকখ্রবা মতুংদা ক্লিন এন্দ জগকী ত্রাইয়েল পাংথোক্লবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা গ্লাসগোগী এঠলেটশিংনা লৈরিবা মফম অদুগা নক্লবদা লৈবা সুপর মার্কেত অমদা নুপীদা নত্তবা লমচৎ চৎলুই হায়বগী মরালদা পুলিসনা ফারুবনি ।

মশাগী চহি ২২খক্তা ঙাইরিবা লিপটর অসি থৌদোক থোকফম অদুদগী ফারগা সেরিফকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা মহাক থৌদোক অসিদা করিগুম্বা অমত্তা চেন্নদে হায়না থাদোরকখি । ত্রাইয়েল অদুদা মহাক্না ৯শুবা তাহৌখি ।

[illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible]

17TH MANIPUR INTEGRITY DAY

4th August, 2014 (Monday)

8.30 a.m. : Floral Tribute to the Integrity Pillar, Near Pologround, Imphal
10.30 a.m. : Programme at MDU Hall, Yaiskul Police Lane, Imphal

LET US BUILD A UNITED STRENGTH AGAINST THE COMMUNAL IDEOLOGY

- Secular Ideology unites people.
- United Strength is our only weapon in our hand.
- Fighting Communalism is a step towards freedom.
- Let us Live Together, Struggle Together and Grow Together.

কাংলুপ নায়বা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মীয়ামগী অপুনবা লীচিং শাগৎমিন্নসী

- কাংলুপ নায়দবা ৱাখল্লোন্না মীয়ামগী অপুনবা পুরকই ।
- অপুনবা পাঙ্গলনা মীয়ামগী অমত্তা ঙায়রবা খুৎলাইনি ।
- কাংলুপ নাইবা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মীয়াম পুন্না লেপসি ।
- মীয়াম পুন্না হিংমিন্নসি, পুন্না থেংনমিন্নসি, পুন্না চাওখৎমিন্নসি ।

AMUCO AMUCO